# ইদিনা ক্রিপটো করেন্সি একচেঞ্জ ৱাজিরএক্সকী লুপা ক্রোর ৬৪.৬৭ গী বেঙ্ক এসেটশিং ফ্রিজ তৌশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী):
ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না ইরাই নুমিত্তা পোপুলর ক্রিপটো করেন্সি একচেঞ্জ ৱাজিরএক্সকী লুপা ক্রোর ৬৪.৬৭ গী ওইগদবা বেঙ্ক এসেটশিং ফ্রিজ তৌশিনখ্রে।

কম্পেনি অসি চেন্নবা মনি লোন্দরিং কেস অমগী ইনভেষ্টিগেসনদা এজেন্সি অসিনা এসেটশিং অদু ফ্রিজ তৌশিনখিবনি। ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ফেদরেল এজেন্সি অসিনা ৱাজিরএক্সকী পেরেন্ট কম্পেনি জনমাই লেব প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্তরশিংগী প্রেমিসেসতা থি হুন্বা চথখি। মদুগী মতুংদা এসেটশিং অদুবু ফ্রিজ তৌনবগী ওর্দর ইস্যু তৌখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা ইদিনা হায়, ৱাজিরএক্স একচেঞ্জকী দিরেক্তরনা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কো ওপরেসন পীদবনা মরম ওইদুনা ওগষ্ট ৩ দা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরি এক্ট (পিএমএলএ) গী মখাদা ছর্স ওপরেসন অমা কন্দক্ট তৌখি।

ছর্স ওপরেসন অদুদা ৱাজিরএক্সকী দিরেক্তর সামির মহাত্রেনা কম্পেনি অসিগী দাটা বেজ মপুং ফানা রিমোট কন্ট্রোলগী থৌওংদা য়েংশিনবা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি। তৌইগুন্বসুং মীওই অসিনা ইন্সটেন্ট লোন এপ ফ্রোদকী ক্রাইমদগী লাকপা প্রোসিটশিং শীজিন্নরগা লৈখিবা ক্রিপটো এসেটশিংগা মরী লৈনবা ট্রাঞ্জেক্সনশিংগী অকুপ্পশিং পীযু য়াখিদে। ফোরেন একচেঞ্জ রিগুলেসন ভাইওলেট তৌবগী চিংনবা লৈবদগী এজেন্সি অসিনা হৌখিবা চহীদা ৱাজিরএক্সকী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখিবনি।

কুমজা ২০২১ দা চাইনিস নেসনেলশিংনা চল্লাইবা ইল্লিগেল ওনলাইন বেটিং এপ্লিকেসনশিং চেন্নবা মনি লোন্দরিং কেস অমা থিজিনবা হৌখি। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা লুপা মিলিয়ন ৫৭০ রোমগী ওইগদবা লোন্দর তৌখিবা ক্রাইমগী প্রোসিটশিং বাইনান্স প্লেটফোর্ম হায়রিবা কুমজা ২০১৯ দগী ৱাজিরএক্সনা চল্লাইরকখিবা প্লেটফোর্ম অসি শীজিন্নদুনা ক্রিপটো করেন্সিশিংদা কনভর্ট তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

লোন্দিংগী মতাংদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আরবিআই) গী গাইদ লাইনশিং ভাইওলেট তৌবগীদমক্তা ইদিনা ইন্দিয়ন নন-বেঙ্কিং ফাইনান্স কম্পেনিশিং (এম বি এফ সি) শিংগী মায়োক্তা মনি লোন্দরিং ইনভেষ্টিগেসনশিং মখোয়গী ফিনটেক পার্টনরশিংগী মায়োক্তা মনি লোন্দরিং ইনভেষ্টিগেসনশিং চথদুনা লাকপনি। হৌজিক ফাওবদা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না চাইনিস ফন্দশিংনা সপোর্ট পীবা ফিনটেক কম্পেনি কয়া লেন্দিংগী বিজিনেস চথনবগীদমক আর বি আইদগী এনবিএফসি লাইসেন্স ফঙবা ঙমখিদে।

দিফঙ্ক ওইরবা এনবিএফসিশিংগা এমওয়ুগী রুট পুথোক্তুনা মখোয়না থবক তৌনবা হোৎনখিবনি। ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রবা মতুংদা ফিনটেক এপশিংসিগী মনুংদা এপ কয়া মখোয়গী বিজিনেস থিংজিঞ্জখি অমসুং মখোয়না মথক্কী লোনা য়াদবা থৌওংশিং অসিগী খুত্থাংদা তানখিবা য়াম্লবা প্রোফিটশিং থৈদোকখি হায়না ইদিনা ফোঙদোকখি।

ইদিনা হায়রি, মদুদি ক্রিপটো-একচেঞ্জশিংগা সমনশিং ইস্যু তৌখি। খ্বাইদগী য়াম্বা ফন্দগী শেনফমশিং ৱাজিরএক্স একচেঞ্জতা দাইভর্ট তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মসিগা লোয়ননা লৈখিবা ক্রিপটো এসেটশিং অদু মশক খঙদবা ফোরেট ৱালেটশিংদা দাইভর্ট তৌখি হায়বসিসু খঙখি।

এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না ৱাজিরএক্স ক্রিপটো একচেঞ্জ চল্লাইরিবা জনমাই লেব প্রাইভেট লিমিটেদ হায়রিবা কম্পেনি অসিনা ক্রাউদ ফায়র ইঙ্ক য়ুএসএ, বাইনান্স, জেটাই পতে লিমিটেদ সিঙ্গাপোরগা এগ্রিমেন্টশিং পুরকপগী মওংশিং উহন্দুনা ক্রিপটো একচেঞ্জকী ওনরশিপকী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনখি।

# দলিট ৩ হাৎখিবগী কেস: মীওই ২৭ পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে



মদ্রাস, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী):
কচানাথমদা মীওই অহুম হাৎখিবগী কেসতা কনভিক্টশিং ওইরবা মীওই ২৭ ইরাই নুমিত্তা তামিল নাদুগী সিবগঙ্গদা লৈবা স্পিসল কোর্ট অমনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। মীওই অহুম হাৎখিবগী থৌদোক অদু কুমজা ২০১৮ গী মে ২৮ দা সিব গঙ্গা দিষ্ট্রিক্টকী কটচানাথাম ভিলেজতা থোকখিবনি। নুমিৎ অদুদা ভিলেজ অদুদা মশিং য়াম্বা কাঙলুপকী খুৎলায় পায়বা মীওই খুৎপু অমনা মীওই খরদা এটেক তৌখি।

এটেক অদুদা শিখিবা মীওই অহুম অদু সেদ্যুল কাষ্ট কম্যুনিটিগী মীওই অহুম অদু কে অরুমুগাম, এ শন্মুগানাথান অমসুং ভি চন্দ্রসেখর কৌই। মীওই অহুম অসি কটচানাথমদা লাইশঙগী ওনর পীবগা মরী লৈনবা য়েৎনবা অমদগী থাং-তেনশিং শীজিন্নরগা হাৎখিবনি।

এসসি/এসটি (পিওএ) এক্টকী মখাদা কেসশিং অদুগী এক্সক্লুসিব ট্রাইয়েল চথখিবা স্পিসল কোর্টনা চৈরাক অদু লাউথোকখি। স্পিসল কোর্টকী জজ মুথুকুমারন্না ওগষ্ট ১ দা এক্যুজ ২৭ কনভিক্ট তৌখি। কেস অদুদা চহী নৌরিবা মীওই মরি য়াওনা পুন্না মীওই ৩৩ চার্জ সিট তৌখি অমসুং ট্রাইয়েল মনুংদা মীওই অমা শিখি।

স্পিসল কোর্টকী জজ অসিনা কনভিক্টশিং অমসুং ভিক্টিমশিং অদুগী ইমুংগী মীওইশিং ওগষ্ট ৩ দা সেন্টেন্স অদুগা মরী লৈননা কনভিক্টশিংদা পীগদবা চৈরাক অদু লেপ্পনবা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা হিয়ারিং তৌখি। কুমজা ২০১৯ দা এক্যুজশিং অদুগী মনুংদগী খরনা থাখিবা বেল প্লি রিজেক্ট তৌরদুনা মদ্রাস হায় কোর্টকী মদুরাই বেঞ্চনা হায়খি, মদুদি মশিং য়াম্বা কম্যুনিটিগী মীওই কাঙবু অমনা সেদ্যুল কাষ্টকী মীওই খরবু য়াম্না তমথীবা মওংদা হাৎখিবা অদুনা সিবনগর দিষ্ট্রিক্টতা কাঙলুপতা য়ুন্ফম ওইরগা অমনা অমবু থৌওই উশিৎতনা য়েংবা থোং মান্নদবগী ফিভম অমা লৈরে হায়বসি তাকখি।

# পেপর লিক কেসতা সিবিআইনা মফম ৩০ দা রেইদ চথখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর লৌবগী একজামদা অরান অহুই কয়া তৌখিবগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) না জম্মু, শ্রীনগর অমসুং বেঙ্গলুরু য়াওনা মফম ৩০ হেনবদা থী হুন্বগী ওপরেসনশিং চথরি।

কেস অদু এক্যুজশিংনা পেপর লিক ওইহনখিবগা মরী লৈনৈ। একজাম অদু মার্চতা কন্দক্ট তৌখিবনি। পেপর লিক ওইবগা মরী লৈননা কমপ্লেন্ট অমা ফঙবদগী সিবিআইনা এক্যুজ ৩৩ গী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌখিবনি।

সিবিআইগী মতুং ইন্না এফ আই আরদা পল্লিবা মরু ওইবা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা মেদিকেল ওফিসার অমা ওইরিবা বিএসএফকী ডা. কর্নেল সিংহ, ট্যুটোরিএল ক্লাসেসকী মপু অভিনাস গুপ্ত অমসুং একজামশিং কন্দক্ট তৌখিবা মেরিট ট্রেক্স প্রাইভেট লিমিটেদ, বেঙ্গলুরু চল্লাইরিবা নরায়ন দট্ট য়াওরি।

এজেন্সি অসিগী ওফিসল অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক চথরিবা রেইদশিং অদুদা স্লুটশিংনা চিংননিংঙাই ওইবা দোক্যুমেন্ট কয়া ফঙবা ঙমখি। সিবিআইনা হৌজিক হৌজিক কেস অসিগা মরী লৈননা জম্মুগী অখনুর অমসুং দোমানা অমদি বেঙ্গলুরুগী অতে মফমশিংদা রেইদ চথরিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী ফম ১২০০ লৌননবগীদমক্তা কন্দক্ট তৌখিবা সব-ইন্সপেক্তর রিক্রুটমেন্ট একজামিনেসন অদু এদমিনিষ্ট্রেসন্না কেন্সেল তৌখি।

# স্পিসল কেম্পেইন লোঞ্চ তৌরগনি



লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা নিংতম্লকপা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা সমাজ ৱাদি পার্টি (এসপি) অমসুং কংগ্রেসনা ওগষ্ট ৯ দগী অখন্নবা কেম্পেইনশিং লোঞ্চ তৌরগনি।

এসপিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অখিলেস যাদবনা ওগষ্ট ৯ দগী ১৫ ফাওবা কনোসকী ভিলেজ অমদগী য়ুম খুদিংমক্তা ট্রাই কলর পায়হনবগী কেম্পেইন লোঞ্চ তৌগনি।

মহাক্না য়ুমথোং খুদিংমক্তা লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎহনবা হায়বা পার্টিগী কেম্পেইন মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী টিরৱা টেহসিলগী মনুং চনবা ভিলেজ অদুদা লৈরিবা ইমুংশিংদা খাদিগী ট্রাই কলর য়েন্থোক্কনি হায়না পার্টিনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, ভিলেজ অদুগী মীয়ামদা খাদি ট্রাই কলর য়েন্থোকপগা লোয়ননা এসপিগী নেসনেল প্রসিদেন্টনা ষ্টেট অদুগী সিটিজন পুম্নমক্তা ওগষ্ট ১৫ দা মখোয় মখোয়গী য়ুমশিংদা লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎনবা আপিল তৌগনি।

অমরোমদা, কংগ্রেসনা ওগষ্ট ৯ দগী লোক সভাগী কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তা কিলোমিটর ৭৫ গী দিষ্টেন্স কোভর তৌদুনা অজাদি কী গৌরব যাত্রাশিং শিন লাংগনি। ওগষ্ট ১৫ দা ষ্টেট কেপিটেলদা ষ্টেট থাক্কী প্রোগ্রাম অমসু শিনগনি।

উত্তর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী স্পোক্সমেন অলোক সিংহগী মতুং ইন্না কংগ্রেসনা ওগষ্ট ৯ দগী ষ্টেট অসিগী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮০ মক্তা গৌরব যাত্রা পাঙথোক্কনি। মখোয়না লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্তা কিলোমিটর ৭৫ কোভর তৌগনি অমসুং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০৩ মক ফাওরগা চৎকনি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR/1008
## DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs
**1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T.-Line,**
Imphal, Manipur

### ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠꯂꯕ / NOTIFICATION
Imphal, the 3rd August, 2022

No. A/4/NSP/OBC&SC-2022: It is hereby notified for information to all concerned that online registrations of SC (Pre-Matric & Post-Matric) Scholarship Schemes, for students belonging to the notified SC Community for the year 2022-2023 have been opened on National Scholarship Portal (NSP) as per the timelines given below:

| Scholarship Schemes | Online Registration closing Date | Defective Verification | Last Date for Online Verification at Institute Level (L1) |
|---|---|---|---|
| Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for SC students Manipur | 31-10-2022 | 15-11-2022 | 15-11-2022 |
| Centrally Sponsored Pre-Matric Scholarship for SC students studying in class IX and X Manipur | 30-09-2022 | 16-10-2022 | 16-10-2022 |

2. Only online applications under the Schemes will be accepted and no request for offline applications will be entertained. Website for filling up of Online Scholarship application is www.scholarships.gov.in. A link to this site is also available in the website of this Directorate (www.manipurobcsc.gov.in). Alternatively, application may also be submitted through NSP App by downloading the same from Google Play Store.

3. Further details may be obtained from (1) Santosh Kumar Chongtham, Senior Finance Officer/OBC & SC (State Nodal Officer, OBC & SC Scholarship), (2) M. Dinesh Singh, Office Assistant/MA & (3) Maibam Devils, Office Assistant/OBC & SC on the contact numbers 9774329972/9774496772 during office hours only or at the enquiring mail: mobc-scholarships@googlegroups.com.

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBC & SC), Manipur

HL-P/7786/6

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

### ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE FOR OBJECTION
Imphal, the 5th Aug, 2022

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Lamphelpat Kombirei Leikai Development committee at Lamphelpat"** on 1-08-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Kombirei Leikai"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry)**

Sd/- I. Rajen
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/3597/6

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

### ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯠ / NOTICE FOR OBJECTION
Imphal, the 5th Aug, 2022

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Chaokhat Shintha Nupi Lup"** address at Shamushang **Shantipur Awang Leikai** Imphal West on 1-08-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Shamushang Shantipur Awang Leikai"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- I. Rajen
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/3604/6

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN
FOR
XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% Half Admission
6. Students score 60% and below 70% Direct Admission
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090